# জর্নেলিষ্ট ১দি মখোয়গী ইমুং মনুংগী ৱেলফেয়র স্কিম এপ্রুভ তৌখ্রে

অগরটালা, জুলাই ০৭ (এজেন্সী):
ত্রিপুরাদা লৈরিবা জর্নেলিষ্টশিং অমদি মখোয়গী ইমুং মনুংগী য়াইফ থৌরাংগা মরী লৈননা ত্রিপুরা কেবিনেটনা ত্রিপুরা জর্নেলিষ্ট সনমান পেন্সন স্কিম ২০২১ অমসুং জর্নেলিষ্ট পরিবার সুরকসা স্কিম ২০২১ এপ্রুভ তৌখ্রে হায়রি।

ত্রিপুরা কেবিনেটকী ৱাঙাঙলোয়সু ওইরিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রতন লাল নাথনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা ত্রিপুরাদা মতম শাংনা লৈঙাক পায়রকখিবা লেফট ফ্রন্ট গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০১২ দা জর্নেলিষ্টশিংগী পেন্সন স্কিম অসি থাগী লুপা ১,০০০ খক্তমক পীরম্মী। অদুবু ত্রিপুরদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাক্লবা মতুং পেন্সন স্কিমশিং অদুগী মশক মওংশিং শেমদোক্লুনা কুমজা ২০১৮ গী জুলাই ১৭ তা জর্নেলিষ্ট অমগী থাগী পেন্সনগী শেনফম অসি লুপা ১০,০০০ ওইহন্ননবা খন্নখিবনি। মতমদুদা খন্নখিবা অদু ত্রিপুরা গভর্ণমেন্টনা ঙসি এপ্রুভ তৌখিবগা লোয়ননা থবক্তগী পোথরবা জর্নেলিষ্টশিংনা থা খুদিংগী পেন্সন ওইনা লুপা ১০,০০০/১০,০০০ মশা মশাগী একাউন্টতগী লৌথোকপা য়ারগনি। ত্রিপুরা কেবিনেটনা জর্নেলিষ্ট পেন্সন স্কিম এপ্রুভ তৌখিবগা লোয়ননা জর্নেলিষ্টশিংগী ইমুং মনুংশিংগী য়েংলগা অতোপ্পা স্কিম অমগা এপ্রুভ তৌখিবনি। নৌনা এপ্রুভ তৌখ্রবা জর্নেলিষ্ট পরিবার সুরকসা স্কিম ২০২১ না জর্নেলিষ্ট ওইনা মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুংশিংনা থা অমদা লুপা ৫,০০০/৫,০০০ মশা মশাগী একাউন্টতগী লৌথোকপা য়ারগনি। জর্নেলিষ্ট পেন্সন স্কিম অসি মশাগী চহী ৬০ শুরবা মতুং থবক্তগী পোথরবশিংনা ইনজোই তৌবা য়ারগনি হায়রি।



হিয়াংলম এ সীগী এম এল এ ডা. ৱাই রাধেশ্যামনা লাংমৈদোংদা লৈবা য়ুম অমদা পাঙথোকখিবা মীফম অমগা মরী লৈননা এ সী অদুদা লৈবা কোভিদ টাক্স ফোর্সশিংদা মখোয়না থবক তৌবদা শীজিন্ননবা শেল, রেজিষ্টর, কলম, মাস্ক অমদি সেনিটাইজরনচিংবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা

# অনীরকশুবা ওইনা অসামগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱাল য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

গুৱাহাটি, জুলাই ০৭ (এজেন্সী):
অসামগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱাল ঙসি অনীরকশুবা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী কেবিনেটতা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদু প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিননা পাঙথোকখি।

অসামদা চীফ মিনিষ্টর ওইদ্রিঙৈগী মমাংদা সর্বনন্দ সোনোৱাল কুমজা ২০১৪ দগী ২০১৬ ফাওবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর স্পোর্টস এন্দ য়ুথ এফেয়স মিনিষ্টর ওইনা মোদি গভর্ণমেন্টকী অহানবা টার্মদা লৈরম্লে। মদুগী মতুং বি জে পি অসামগী প্রসিদেন্ট ওইবা খক্তা নত্তনা ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইখিবনি। সর্বনন্দ সোনোৱাল অসামগী মনুং চনবা দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্টকী মুলুকগ্রাউন্দা হৌখিবা কুমজা ১৯৬২ গী ওক্তোবর ৩১ দা পোকখিবনি। নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা সর্বনন্দ সোনোৱাল মীয়ামগী লুচিংবা ওইনা থবক তৌবা পাল্লকখিবা মীওই অমনি।

অসামগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা মহৈরোয়শিংগী বোদি অমা ওইরিবা ওল অসাম ষ্টুদেন্স য়ুনিয়ন (এ এ এস য়ু) গী লুচিংবা মতম শাংনা ওইরমখি। কুমজা ১৯৯২ দগী কুমজা ১৯৯৯ ফাওবা য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরমখি। ষ্টেট অদুদা থোকপা থৌদোক ৱাথোক কয়াদসু সর্বনন্দ সোনোৱাল মাঙজিন থাদুনা থবক তৌরকখিবা মীওই অমনি। সোনোৱাল দিব্রুগর য়ুনিভর্সিটিদা বি এ ইংলিশ ওনর্স লোইশিল্লবা মতুং গৌহাটি য়ুনিভর্সিটি লো কোলেজতগী এল এল বি লোইশিনখি। মদুগীমতুং কুমজা ২০০১ দা মহাক অসোম গনা পরিষদ (এ জি পি) দা য়াওখি।



হায়রিবা চহী অদুমক্তদা মহাক মোরান কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মায় পাক্লুনা অসাম এসেমব্লিদা ইহান হান্না এম এল এ ওইখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০০৪ দা পাঙথোকখিবা লোক সভা ইলেক্সনদা দিব্রুগর কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মহাক্না চাওনা মায় পাকখি। কুমজা ২০০৯ দা পাঙথোকখিবা লোক সভাগী মীখলদা মহাক দিব্রুগর কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মায়থিবা নংখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১১ দা মহাক বি জে পিদা য়াওখিবনি। ওল্লকপা চহী কুমজা ২০১২ দা সোনোৱাল অসাম বি জে পিগী প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লকখি। কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা লোক সভা ইলেক্সনদা লক্ষিম্পুর কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী মহাক কাখি অমদি মোদি কেবিনেটতা মিনিষ্টর ওইখিবনি।

## ৱার মেমোরিয়লশিং শেমজিন্নবা তকশিনখ্রে

অগরটালা, জুলাই ০৭ (এজেন্সী):
ত্রিপুরাগী কেপিটেল অগরটালাদা লৈরিবা কুমজা ১৯৭১ গী বংলাদেশকী নীংতম লালগা মরী লৈনবা মেমোরিয়ল কয়া মাঙহন তাকহনখিবদা নুংনাংবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা বংলাদেশকী ইন্তলেকচুয়েলশিংনা ইন্দিয়াগী ওথোরিটিশিংদা নীং তম লালগী মেমোরিয়লশিং থুগাইবা লেপ্পবা অমসুং মাঙহন তাকহনখিবশিং হান্নগী ফীভমদা লাকহন্নবা নীংথিনা শেমজিন শাজিনবীনবা তকশিনখ্রে।

বংলাদেশকী ইন্তিলেকচুয়েল ২০ না খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা অপুনবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, অগরটালাদা লৈরিবা কুমজা ১৯৭১ দা শোক্লখিবা বংলাদেশকী নীং তম লালগী মেমোরিয়লশিং পুৱারীগা শাগোন্নরবা লাল অদুবু নীংশিহন্নবগী পোৎশকশিংনি। মেমোরিয়লশিং অসিনা ইন্দিয়া অমসুং বংলাদেশকী থৌনা ফরবা ৱারিয়রশিংনা কথোকখিবশিং নীংশিংহল্লি।

কুমজা ১৯৭১ গী নীং তম লাল মনুংদা ইন্দিয়াগী মীয়াম মরু ওইনা ত্রিপুরাগী মীওই কয়ানা শৌগৎখিবশিং বংলাদেশকী নীংতম ঈহৌগী পুৱারীগী শরুক অমা ওইরিবনি হায়না বংলাদেশ ইন্তিলেকচুয়েলশিং অসিনা ক্লেম তৌখি। ইন্দিয়ন ওথোরিটিশিংদা ৱার মেমোরিয়েলশিং শেমজিন্নবা তকশিল্লক্লিবা বংলাদেশকী ইন্তিলেকচুয়েলশিং অদুগী মনুংদা লৈবাক অসিগী মনুংদা অইবা অমসুং লেঙ্গুয়েজ এক্তিভিষ্ট অব্দুল রফর চৌধুরি, ফিক্সন ইবা হাসন অজিজুলহক, প্রোফেসর অমসুং এসেইষ্ট অনুপম সেন, প্লেরাইটস রামেন্দু মজুমদারনচিংবা য়াওরি।

## ‘বোর্দরগী য়েংনবগী মতাংদা ষ্টেক হোলদরশিং তান্নগদবনি’

শিলোং, জুলাই ০৭ (এজেন্সী):
অসাম অমসুং মেঘলয়াগী মরক্তা বোর্দরগী য়েংনবা লৈরিবশিং লৈখাই তানবা হোৎনবদা ষ্টেট অনীমক্কী ষ্টেক হোলদরশিং তান্নগদবনি হায়না মেঘলয়া এসেমব্লিগী স্পিকর মেটবাহ লিংদোহনা ফোঙদোকখ্রে।

মীদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা মেটবাহ লিংদোহনা হায়খি, ৱাফম অসিমক মহাক্না হন্দক্তা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মাগা উন্নখিবদসু হৌদোকখ্রে। অসাম অমসুং মেঘলয়াগী মরক্তা লৈরিবা বোর্দরগী য়েংনবশিং ৱারোইশিন পুরক্নবগী ৱারেপ খুদিংমক ষ্টেট অনীমক্কী মরী লৈনবা মীওই খুদিংমক তান্নরগা লৌগদবনি হায়না মেটবাহ লিংদোহনা ফোঙদোকখ্রে।

অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্বা সর্মা অমসুং মেঘলয়াগী স্পিকর মেটবাহ লিংদোহ হন্দক্তা গুৱাহাটিদা উন্নখিবনি। মখোয়না বোর্দরগী য়েংনবা য়াওনা ষ্টেট অনীমক্কী ইশ্যু কয়াগী মতাংদা খন্না নৈনখি। হন্দক্তা অসামগী সী এম হিমন্ত বিস্ব সর্মানা মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা খ্বাইদগী মরু ওইনা পায়খৎকদবা থবক্তি অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মরক্তা লৈরিবা বোর্দরগী য়েংনবশিং লৈখাই তাবা অসিনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।


লমদম অসিগী ওইবা য়ুনিফাইদ পোলিসি অমা পুরক্লবা হোৎনবদা লমদম অসিগী ষ্টেটশিংগী মরক্তা বোর্দরগী য়েংনবা কয়া লৈরিবা অসিনা খুৱৌ থাংদুনা লৈরি হায়না সর্মানা ফোঙদোকখিবনি।

লমদম অসিগী ষ্টেটশিংগী মরক্তা লৈরিবা বোর্দরগী য়েংনবশিং লৈখাই তাবা, টুরিজম, ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট অমসুং কনেকটিভিটি ফগৎহনবগুম্বা তোঙান তোঙানবা পোলিসিশিংগা মরী লৈননা ষ্টেটশিং অসিদা থোং মান্নবা থৌরাংশিং পায়খৎপা অসিনা লমদম অসিদা চাওখৎপা পুরকপা ঙমগনি হায়না সর্মানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## লৈবাক্কী ঈচেলদা হল্লক্লে: স্পিসল দি জি


গুৱাহাটি, জুলাই ০৭ (এজেন্সী):
লৈবাক্কী ঈচেলদগী নাথৈরগা হন্দক্তা মিলিটেন্ট আউটফিট মোরান নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট (এম এন এল এফ) শেমখিবা নহারোলশিং অমুক হন্না লৈবাক্কী ঈচেলদা হল্লক্লে হায়না অসাম পুলিসকী স্পিসল দি জি জি পি সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

জি পি সিংহনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ত্বিটর পোষ্ট অমদা হায়, তিনসুকিয়া পুলিসনা কন্না হোৎনবদগী হন্দক্তা মোরান নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট শেমখিবা মীয়ামদগী নাথৈরুরবা নহা ওইরিবা মীওইশিং অমুক হন্না অসামদা হল্লক্লে। মখোয়গী মনুংদা মীওই খরদি চহী নৌরিবশিংনি। মখোয়বু অসুম্না লৈবাক্কী ঈচেলদা অমুক হন্না হল্লক্লবা হোৎনবদা দি আই জি শ্রীদোলে অমসুং এস পি শ্রীদ্যুরিনা লৌখিবা থৌরাংশিং য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। নহাশিং অসি কাউন্সেলিং নীংথিনা পীরগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।




HL-P/6859/8,11,14,17,20,23

## CROSSWORD-3833



### ACROSS
1 Operatic song (4)
3 City formerly known as Constantinople (8)
9 Nomadic Arab (7)
10 Stir up (5)
11 Killed (5)
12 Broad street (6)
14 Expenditure (6)
16 Middle (6)
19 Tone of voice (6)
21 Sacred song (5)
24 Blunder (5)
25 Side by side (7)
26 Erasing (8)
27 Remain (4)

### DOWN
1 Fire-resistant mineral (8)
2 Asian country (5)
4 Open-toed shoe (6)
5 Assent (5)
6 Bunch of flowers (7)
7 Untruths (4)
8 Obsolete gold coin (6)
13 Branch of mathematics (8)
15 Diplomatic (7)
17 Sell abroad (6)
18 Intense or violent effort (6)
20 Vote into office (5)
22 Asunder (5)
23 Old (4)

**Solution 3832**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| P | E | L | I | C | A | N | ■ | C | H | I | E | F |
| E | ■ | I | ■ | A | ■ | E | ■ | A | ■ | N | ■ | L |
| R | U | G | B | Y | ■ | C | A | N | A | S | T | A |
| H | ■ | H | ■ | E | ■ | T | ■ | E | ■ | T | ■ | S |
| A | N | T | E | N | N | A | ■ | S | H | A | C | K |
| P | ■ | ■ | ■ | N | ■ | R | ■ | ■ | ■ | N | ■ | ■ |
| S | A | D | D | E | R | ■ | T | H | A | T | C | H |
| ■ | ■ | A | ■ | ■ | ■ | S | ■ | E | ■ | ■ | ■ | U |
| C | O | P | E | D | ■ | U | N | C | L | E | A | N |
| A | ■ | P | ■ | R | ■ | P | ■ | T | ■ | D | ■ | D |
| R | E | L | E | A | S | E | ■ | A | N | G | E | R |
| E | ■ | E | ■ | K | ■ | R | ■ | R | ■ | E | ■ | E |
| D | O | D | G | E | ■ | B | L | E | S | S | E | D |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3632**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 1 | 7 | | | | 9 | |
| | 2 | | 9 | | 3 | | | |
| 5 | | 9 | 2 | | | 8 | | |
| | 8 | | 4 | | | 2 | | |
| | | 2 | | | | 4 | | |
| | | 3 | | | 2 | | 1 | |
| | | 4 | | | 1 | 7 | | 9 |
| | | | 5 | | 9 | | 4 | |
| | 6 | | | | 8 | 1 | | |

**Solution-3631**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 3 | 4 | 9 | 8 | 1 | 2 | 6 | 5 |
| 5 | 9 | 8 | 6 | 7 | 2 | 3 | 1 | 4 |
| 2 | 6 | 1 | 3 | 5 | 4 | 8 | 7 | 9 |
| 6 | 4 | 2 | 7 | 3 | 8 | 5 | 9 | 1 |
| 1 | 8 | 5 | 4 | 6 | 9 | 7 | 2 | 3 |
| 3 | 7 | 9 | 1 | 2 | 5 | 6 | 4 | 8 |
| 9 | 5 | 7 | 8 | 1 | 6 | 4 | 3 | 2 |
| 4 | 2 | 6 | 5 | 9 | 3 | 1 | 8 | 7 |
| 8 | 1 | 3 | 2 | 4 | 7 | 9 | 5 | 6 |

## EMPLOYMENT NEWS

NIELIT Recruitment 2021 nielit.gov.in: National Institute of Electronics and Information Technology (NIELIT) New Delhi invites online applications from eligible and qualified candidates for he post of Scientist ‘B’ and Scientific Assistant ‘A’ in Standardisation Testing & Quality Certification Directorate (STQC). The last date for registration of online applications is 9th July 2021.
Name of the Post
Total Vacancies
Scientist – B
18
Scientific Assistant ‘A’
63
Age Limit:
Up to 30 years as on closing date.
Age Relaxation: Up to 05 years for SC / ST, 03 years for OBC (NCL), Up to 10 years for PWD.
Pay Scale:
Scientist-B: Level 10 ? 56100 - 177500/-
Scientific Assistant: Level 6 ? 35400 - 112400/-
Place of Posting: Anywhere in India.
Educational Qualification and Experience:
Scientist-B:
(1) M.Sc. in Electronics/ Computer Science OR Master of Computer Application (MCA) (OR)
(2) Department of Electronics and Accreditation of Computer Courses (DOEACC) B-Level. (OR)
(3) M.E. / M.Tech / B.E / B. Tech/ Associate Member of Institute of Engineers (AMIE) / Graduate Institute of Electronics and Telecommunication Engineers (G-IETE)in any of following streams :Electronics / Electronics & Communications / Computer Science / Communication / Computer & Networking Security / Computer Application / Software System/ Information Technology / Information Technology Management / Industrial Electronics / Instrumentation / Electronics & Instrumentation / Power Electronics.
Scientific Assistant:
(1) M.Sc. in Electronics/ Applied Electronics/ Physics/ Computer Science/ IT (OR)
(2) M.S. in any one or in combination of following Electronics/ Electronics & Communications / Electronics & Telecommunications / Computer Science / Computer & Networking Security/ Software System / Information Technology / Geographical Information System (GIS) / Electrical / Design / Informatics / Computer Management/Computational Linguistics. (OR)
(3) Master of Computer Application (MCA) (OR)
(4) B.E / B. Tech in any one or in combination of following: Electronics/ Electronics & Communications / Electronics & Telecommunications/ Computer Science/ Computer & Networking Security/ Software System/ Information Technology/ Geographical Information System GIS)/ Electrical/ Design/ Informatics/ Computer Management/ Computational Linguistics.
Selection Process:
Written Examination
Interview
Application Fee:
400/- per application for SC / ST / PWD / Women candidates.
800/- for General and other other candidates.
The fee can be made through online payment mode.
How to Apply: Eligible Interested candidates apply online only through NIELIT Official website (apply-delhi.nielit.gov.in). The last date for registration of online applications is 09/07/2021 up to 5:30 PM. For any problems related to online submission of application form/ downloading of admit card, please send e-mail to recruit-stqc@nielit.gov.in.

Indian Coast Guard Navik Yantrik Recruitment 2021 for 10th Pass 12th Pass Indian Candidates: Indian Coast Guard invites online applications from male Indian nationals for recruitment to the post of Navik (General Duty), Navik (Domestic Branch) and Yantrik in the Indian Coast Guard, an Armed Force of the Union. The Indian Coast Guard Yantrik Navik 2021 online registration will be start from 2nd July 2021 to 16th July 2021.
JOIN INDIAN COAST GUARD AS NAVIK (GENERAL DUTY), NAVIK (DOMESTIC BRANCH) AND YANTRIK 01/2022 BATCH
Name of the Post
Total Vacancies
Navik (General Duty)
260
Navik (Domestic Branch)
50
Yantrik (Mechanical)
20
Yantrik (Electrical)
13
Yantrik (Electronics)
07
Age Limit:
Minimum 18 years and Maximum 22 years.
For Navik (GD) and Yantrik: Born between 01 April 2000 to 31 January 2004 (both dates inclusive).
For Navik (DB): Born between 01 April 2000 to 31 March 2004 (both dates inclusive).
Upper age relaxation of 5 years for SC/ ST and 3 years for OBC (non-creamy) candidates is applicable only if posts are reserved for them.
Pay Scale and other Benefits: On joining Indian Coast Guard, you will be placed in Basic pay of ? 21700/- (Pay Level-3) plus Dearness Allowance and other allowances based on nature of duty/place of posting as per the prevailing regulations.
Educational Qualification:
Navik (General Duty): 10+2 passed with Maths and Physics from an education board recognized by Council of Boards for School Education (COBSE).
Navik (Domestic Branch): 10th Class passed from an education board recognized by Council of Boards for School Education (COBSE).
Yantrik: 10th class passed from an education board recognized by Council of Boards for School Education (COBSE) and Diploma in Electrical/ Mechanical / Electronics/ Telecommunication (Radio/ Power) Engineering approved by All India Council of Technical Education (AICTE).
Medical Standards:
Medical examination will be conducted by authorised Military Doctors as per medical standard prescribed in current regulations applicable to Enrolled Personnel on entry.
Height: Minimum height is 157 cms. Reduction in height for candidates from hilly areas and tribal areas will be in accordance with the Central Govt. orders.
Chest: Should be well proportioned. Minimum expansion 5 cms.
Weight: Proportionate to height and age +10 percentage acceptable.
Hearing: Normal.
Visual Standard: 6/36 (Better Eye) and 6/36 (Worse Eye).
Tattoo: Permanent body tattoos are not permitted on any part of the body.
Selection Process:
Stage I: Computer Based Online Examination
Stage II: Physical Fitness Test, Document Verification, Re-assessment of Inconsistent Performers, Initial Medicals Examination
Stage III: Document Verification, Final Medicals at INS Chilka
Stage IV: The candidates are to submit all the original documents and verification of all original documents through boards/ universities/ state government will be carried out by Indian Coast Guard.
Examination Fee:
Navik (General Duty): Basic pay of ? 21700/- (Pay Level-3) plus Dearness Allowance and other allowances based on nature of duty/ place of posting as per the prevailing regulations.
Navik (Domestic Branch): Basic Pay Scale for Navik (DB) is ? 21700/- (Pay Level-3) plus Dearness Allowance and other allowances based on nature of duty/ place of posting as per the prevailing regulation.
Yantrik: Basic pay ? 29200/-(Pay Level-5). In addition, you will be paid Yantrik pay @ ? 6200/- plus Dearness Allowance and other allowances based on nature of duty/place of posting as per the prevailing regulation.
How to Apply: Applications will be accepted Online only. The online registration will be made through Join Indian Coast Guard official website from 2nd July 2021. The last date for applying online is 16/07/2021 till 18:00 Hours. The candidates are to ensure validity of e-mail and mobile number at least up to 30 June 2022.For any query email to icgcell@cdac.in and telephone no. 020-25503108 / 020-25503109.

